# সী এস এসোল্ট কেসতা দেল্লী সী এম অর্ভিন্দ কেজ্রিৱাল এ এ পিগী লুচিংবা ৯ দিসচার্জ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
দেল্লীগী হান্নগী চীফ সেক্রেটরি অন্সু প্রকাশতা ফু-চৈদুনা তাথি-তাওইনা তৌখিবগী কেস অমদা স্পিসিএল কোর্ট অমনা যুমশকৈশা নুমিত্তা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্ভিন্দ কেজ্রিৱাল, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়া অমসুং আম আদমি পার্টি (এ এ পি)গী লুচিংবা ৯ দিসচার্জ তৌখ্রে।

অদুমওইনমক, কোর্ট অসিনা কেস অদুদা এ এ পিগী লুচিংবা অনী অমনতুলাহ খান (এম এল এ-ওখলা) অমসুং প্রকাশ জারৱাল (এম এল এ-দিওলি)গী মায়োক্তা চার্জ ফ্রেম তৌননবা ওর্দর তৌখি।

এদিসনল চীফ মেত্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট সচিন গুপ্তনা প্রিসাইদ তৌখিবা স্পিসিএল এম পি/এম এল এ কোর্ট অমনা যুমশকৈশা নুমিত্তা দিসচার্জ ওর্দর অদু লাউথোকখি।

কোর্টনা ওর্দর অদু হেক লাউথোকপগা এ এ পিগী সিনিয়র লীদর অমসুং দেল্লী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা মদু অচুম্বনা মায় পাকপগী থৌদোক্নি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্যুটর পোষ্ট অমদা সিসোদিয়ানা হায়খি, শেমজিন-শাজিনবা সী এস এসোল্ট কেসতা দেল্লীগী সী এম অর্ভিন্দ কেজ্রিৱাল কোর্টনা দিসচার্জ তৌরে। এ এ পিগী নেসনল কনভিনর অমসুং দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্ভিন্দ কেজ্রিৱালনসু সোসল মিদিয়াদা অচুম্বনা মায় পাক্লে হায়না ফোঙদোকখি। কেজ্রিৱাল অমসুং এ এ পিগী অতৈ লুচিংবা ১২বু কেস অদুদা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সনশিং ১৮৬, ৩৫৩, ৩৩২, ৩২৩, ৩৪২, ৫০৪, ১২০-বি অমসুং ১৪৯গী মখাদা বুক তৌখিবনি।



এসোল্টকী থৌদোক অদু কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ১৯ অমসুং ২০গী লোন্নবা অহিংদা কেজ্রিৱালগী য়ূমদা থোকখিবনি। নুমিৎ অদুদা প্রকাশপু কেজ্রিৱালগী য়ূমদা মীটিং অমগীদমক কৌখিসু হায়রি।

কেজ্রিৱাল অমসুং সিসোদিয়া নত্তবা কেস অদুগী এক্যুজশিং ওইরিবা এ এ পিগী অতৈ লুচিংবশিং অদুদা নিতিন ত্যাগি, রিতুরাজ গোভিন্দ, সঞ্জিভ ঝা, অজয় দত্ত, রাজেশ রিশি, রাজেশন গুপ্তা, মদন লাল, পর্ভিন কুমার অমসুং দিনেশ মোহানিয়া য়াওরি।

দেল্লীগী মতমদুগী চীফ সেক্রেটরি অন্সু প্রকাশনা মহাক্কী কমপ্লেন্টতা এ এ পিগী এম এল এশিং প্রকাশ জরৱাল অমসুং অমানাতুল্লাহ খাননা কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ১৯দা কেজ্রিৱালগী য়ূমদা মহাকপু ফু-চৈবনচিংবা তৌখি হায়না মরাল শীখি। মতমদুদা পুলিসনা এ এ পিগী লেজিসলেটর কয়া ৱাহং-পাউহং তৌখিবনি।

# বিহারদা জর্নেলিষ্ট অমা মীহাৎ থীনা হাংখ্রে, মমিৎ কোখোক্লক্লে

পতনা, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
বিহারগী চম্পরন দিষ্ট্রিক্টতা প্রাইভেট ন্যুজ চেন্নেল অমদা থবক তৌবা জর্নেলিষ্ট অমা মীহাৎ থীনা হাংখ্রে। লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অদু ষ্টেট অসিগী মমিং লৈরবা ভর্নেক্যুলর পাউচে অমগী এদিটরগী মচানুপানি।

জর্নেলিষ্ট মনিশ কুমার সিংহগী পূমথরক্লবা হকচাং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মথলোহিয়র গান্ধি তোলাদগী ফংখি। মহাক নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদা থীবা খঙখিদবনি। মীহাৎপশিংদুনা মহাক্কী মমিৎ অনীমক কোখোক্লমখি।

মনিশ কুমার ইষ্ট চম্পরনগী পহারপুর ভিলেজদগীনি অমসুং মহাক্কী মপা সঞ্জয় কুমার হিন্দি পাউচে (অরেরাজ দর্শন) অমগী এদিটরগী মচানুপানি। হশিদি পুলিসতা পীবা ৱারোলদা সঞ্জয় সিংহনা মহাক্কী মচানুপাদু নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদা মথালাহর গান্ধি তোলাদা চৎখিবনি হায়খি।

সঞ্জয়না হায়, মহাক্না নুমিদাং পুং ৮.৪২ তাবদা মহাক অমসুং অমরেন্দ্র কুমার অমসুং অশলাজ অলম কৌবা মহাক্কী জর্নেলিষ্ট মরুপ অনীগী গেট-টুগেদর পার্টি অমগী ফোটো থাগৎলমখি। মদুগী মতুংদা ঐখোয়না মহাক কন্টেক্ট তৌবা ঙমখিদে। মহাক কদাইদা লৈবগে খঙখিদ্রে।

ঐখোয়না মহাকপু অহিং চুপ্পা অমসুং মথংগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা থিখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ফংখিদে।

ইষ্ট চম্পরন দিষ্ট্রিক্টকী অরেরাজ সব-দিভিজনগী দি এস পি সন্তোশকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা মনিশ কুমারগী ইমুংগী মীওইশিং মহাক্কী মরমদা থৱায় ৱানখি। মঙোন্দা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমা থোক্লম্বা য়াই হায়না মখোয়না চিংনখিবগা লোয়ননা মখোয়না মহাক্কী জর্নেলিষ্ট মরুপ অনী য়াওনা মীওই ১২গী মায়োক্তা এফ আই আর ফাইল তৌখি।

ওফিসর অসিনা মখা তানা হায়, মনিশ কুমারগী মপানা মহাক্কী মচানুপা অদু মচিন-মনাও থোকপ-শিংগা লমগী মতাংদা য়েৎনবা লৈবনা মীহাৎ অদুদা মখোয় চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। মসিদা নত্তনা ইনভেষ্টিগেটিভ ষ্টোরি কয়া ফোঙবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অরানবা তৌবশিং এক্সপোজ তৌখিবা মহাক্কী মচানুপা অদু ক্রিমিনেলশিংনা টার্গেট তৌরম্বা য়াই হায়নসু মপানা চিংনরি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মঙোন্দা ফোন তৌদুনা কিহল্লকপা কয়া লৈখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা খুঞ্জাশিংনা ফামগী লমদা খোঙউপ জূড়া অনী থেংনখি। মখোয়না মখা তানা থিবদা হকচাং অদু ফংখিবনি। হকচাং অদু পূমথবা হৌরমখি।

পুলিস ওফিসর অসিগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অসিগী মরুপশিং ওইরিবা অমরেন্দ্র অমসুং অশলাজ অলম হায়রিবা জর্নেলিষ্ট অনী অসি ফারে। মনিশকী বেগ অমা অমরেন্দ্রগী য়ূমদা থেংনখি হায়নসু মখা তাখি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেম্লে হায়না ইষ্ট চম্পরনগী এস পি নবিচন্দ্র ঝানা ফোঙদোকখি।

## লুপা লাখ কয়াগী স্মার্টফোনশিং ফাগৎখ্রে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
সাইবর পুলিস ষ্টেসন কাশ্মির জোন, শ্রীনগরনা লুপা লাখ কয়াগী ওইগদবা মাঙখ্রবা মোবাইল ফোনশিং ফাগৎতুনা অশেংবা মপুশিংদা শিন্নখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পুলিসনা হায়, মীয়ামদা সর্ভিস অসিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা অমসুং মখোয়গী পেন দবশিং য়েংশিন্নবা সাইবর পুলিসনা হোৎনরকখি। ফোন মাঙখিবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা কমপ্লেন তৌরকখি।

মোবাইল ফোন মাঙখিবগী কমপ্লেন্টশিংদা নত্তনা সাইবর পুলিস ষ্টেসন কাশ্মির জোনদা ওনলাইনদা নমথাক তৌবগী থৌদোকশিং স্কামশিং অমসুং সাইবরগা মরী লৈনবা অতৈ ক্রাইম কয়া রিপোর্ট তৌরক্লি। পুলিসনা মখা তানা হায়, এদভান্স টেক্নোলোজি অমসুং কনভেন্সনেল মেথদ শীজিন্নদুনা মাঙখিবা মোবাইল ফোনশিংগী খোঙ্গুল লীবদা নত্তনা স্পেসনা টিমশিং অসিগুম্বা ক্রাইমশিং লেপ্পুনা থীজিল্লি। মখোয়না লুপা লাখ কয়াগী ওইগদবা তোঙান তোঙানবা সেলফোন ৩০ খোঙ্গুল লীবগা লোয়ননা মোবাইলশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অশেংবা মপুশিংদা শিন্নখি।

## এফিদেভিট সবমিট তৌরক্নবা খঙহনখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
সাওন্দ পোল্যুসনগা মরী লৈননা এফিদেভিট সবমিট তৌরক্নবা বেঙ্গলুরুদা লৈবা মোস্ক ১৬কী মেনেজমেন্টতা কর্নাটকা হায় কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে। চীফ জষ্টিস এ এস ওকানা লুচিংবা অমসুং জষ্টিস সঞ্জয় গৌরা য়াওবা দিভিজন বেঞ্চনা হীরম অসিগা মরী লৈননা দিরেক্সন পীখি।

থানিসান্দ্রা রোদতা লৈবা আইকোন এপার্টমেন্টকী রেসিদেন্ট ৩২না পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ফাইল তৌখিবনি। হীয়ারিং মনুংদা মসজিদ মেনেজমেন্টনা মখোয়গী সবমিসনদা মখোয় লাউদ স্পীকরশিং শীজিন্ননবগী পর্মিসন লৌখি হায়না থমখি।

ৱাফমদু তাবদা বেঞ্চ অসিনা মেনেজমেন্টতা এফিদেভিট অমা কোর্টতা সবমিট তৌদুনা মখোয় সাওন্দ পোল্যুসন থোকহন্দনবা গভর্ণমেন্টনা প্রিস্ক্রাইব তৌবা গাইদলাইনশিং চৎলি হায়বা খঙহল্লক্নবা ওর্দর তৌখি। মখোয়না পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (পি সী বি) গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না লাইসেন্স লৌখি অমসুং লাইসেন্স লৌদ্রবদি মখোয়না লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নরোয় হায়বা ৱাফমসু এফিদেভিটতা পনগদবনি।

## ভেক্সিন কাপ্পা য়াহল্লগনি

লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থোকপা অনৌবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশতা লৈরিবা ফোরেনরশিং হৌজিক কোভিদ ভেক্সিনেসনগী খুদোংচাবা ফংলগনি। গাইদলাইনশিং অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফোরেনরশিং মখোয়গী পাসপোর্ট শীজিন্নরগা ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক রেজিষ্টর তৌবা য়ারগনি। অদুম ওইনমক সর্ভিস অসি ফোরেন টুরিষ্টশিংদদি ফংহল্লোই।

এদিসনল চীফ সেক্রেটরি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র অমিত প্রসাদনা থোকপা ওফিসল ওর্দর অমনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বুধিষ্ট লাইনিংবশিংসু ইরাই লাইনা ভেক্সিন কাপ্পা য়াহল্লগনি। গাইদলাইনশিং অদুনা হায়রি মদুদি, দিষ্ট্রিক্ট স্কুল ইন্সপেক্টরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট বেসিক এদ্যুকেসন ওফিসরশিংনা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট স্কুল পূম্নমক্কী ওজাশিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ পূম্নমক শোয়দনা ভেক্সিন কাপহন্নবা হোৎনগদবনি।

## গেংষ্টরশিংগী প্রোপর্টি ফাজিনখ্রে

লক্ষ্ণৌ, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশ পুলিসনা হৌখিবা চহী মরি অসিদা গেংষ্টর এক্টকী মখাদা ক্রিমিনেল ৪৩,২৯৪ বুক তৌখিবগা লোয়ননা গেংষ্টরশিংগী লুপা ক্রোর ১,৮৪৮গী ওইগদবা প্রোপর্টিশিং ফাজিনখি।

কুমজা ২০১৭কী মার্চ ২০দগী কুমজা ২০২১গী জুন ২০ ফাওবগী মনুংদা পুলিসকা ক্রিমিনেলশিংগা নোংমৈ কাপ্পবদা ক্রিমিনেল ১৩৯ শিখি। গেংষ্টর এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা ক্রাইমগা মরী লৈনবা শেনফমশিংনা লৈবা প্রোপর্টিশিং পুলিসনা ফাজিনবা য়াই। এ দি জি লো এন্দ ওর্দর প্রসান্ত কুমারনা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

## লোক সভা মীফম মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
লোক সভাগী প্রোসিদিংস সেদ্যুলদগী নুমিৎ নীনি ঙনখৎনা যুমশকৈশা নুমিত্তা মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা হাউস অসিগী নোংজু মীফম লোইশিনখ্রে।

হাউসকী মীফম ওগষ্ট ১৩দা লোইনবা মতম লেপখিবনি। যুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা হাউসকী মীফম হৌবগা স্পীকর ওম বিরলানা হান্না পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অমসুং সেন্টরদা মিনিষ্টর অমা ওইরম্বা হিমাচল প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরভদ্রা সিংহ লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা নিত্যাইনন্দ মিশ্রা, গোপালরাও মায়েকর অমসুং সুদারশন রোই চৌধুরিনা তৌখিবা থবক কয়া স্পিকরনা হাউসতা পনখি। লৈখিদ্রবশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎলদুনা হাউসকী মেম্বরশিংনা ঙাইহাক্তং তূমীন্না লেপ্পুনা লৈখি।

স্পিকরনা হায়খি মদুদি, নোংজু মীফম অদু হান্না থাজখিবগুম ফঙ্কসন তৌবা ঙমখিদে। পুং ২১ অমসুং মিনিট ১৪ তমক মীফম পাঙথোকপা ঙমখি। দিস্কসন অমসুং অতৈ লেজিসলেটিভ থবকশিংগীদমক পুং ৯৬ ফংখিবগী মনুংদা পুং ৭৪ তমক শীজিন্নখি অমসুং সেসন অসিদা তৌফম থোকপা থবকশিংগী চাদা ২২ তমক পাঙথোকপা ঙমখি।

সেসন পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা হাউসনা কন্সটিট্যুসন (চাম্মগা কুন্তরেৎশুবা এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২১ য়াওনা মরু ওইবা বিল ২০ পাস তৌখি, ষ্টার ক্বেসন ৬৬ পাউখুম পীখি অমসুং মেম্বরশিংনা পূন্না ৱাহং ৩৩১ হংখি। যুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা হাউসতা ষ্টেটমেন্ট ২২ পীখি।

স্পিকরনা লোক সভাগী সেক্রেটরি-জেনরেল অমসুং অতৈ সেক্রেট-রিএল ষ্টাফপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাই ১৯দা সেসন হৌখিবদগী পেগাসস স্নূপিং স্কেন্দল, ফার্ম লোশিং, ইনফ্লেসন অমসুং ইস্যু কয়ানা হাউসকী প্রোসিদিংসতা লেপ্পুনা অয়েৎ-অপন থোকহনখি।

অদুম ওইনমক মতম শাংনা দিবেট চথরক্লবা মতুং গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ও বি সী বিল পাস তৌবদা ওপোজিসন এম পিশিংনা মত অমত্তা ওইনা শৌগৎখি। মসি হন্দক্কী নোংজু মীফম অসিদা দিবেট চথরগা পাস তৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা বিলনি। অতৈ বিলশিং অদুদি দিস্কসন তৌদনা পাস তৌখি।

## কোভিসিল্ড অমসুং কোভেক্সিন মিক্স তৌবগী চাংয়েং অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা শীজিন্নরিবা মরু ওইবা কোরোনাভাইরস ভেক্সিনশিং ওইরিবা কোভিসিল্ড অমসুং কোভেক্সিন মিক্স তৌবগী ষ্টদি অমা পাঙথোকপগী অয়াবা দ্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি আই) না পীখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা চথরিবা পাক-শন্না ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভ হেন্না কনশিনবা য়ানবগীদমক্তা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা দি সী জি আই)না হায়, ষ্টদি অগা লোয়ননা ক্লিনিকেল চাংয়েংশিং ভেলরদা লৈবা খৃষ্টিয়ান মেদিকেল কোলেজনা কন্দক্ট তৌবনি।

ষ্টদি অদুগী পান্দমদি মীওই অমা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা মপূং ফানা ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিন দোজ অনী হায়বদি কোভিসিল্ডগী দোজ অমা অমসুং কোভেক্সিন দোজ অমা থাবা য়াগদ্রা হায়বদু খঙদোক্নবা হোৎনবনি।

সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (সী দি এস সী ও)গী সবজেক্ট এক্সপর্ট কম্মিটি অমনা জুলাই ২৯দা তোঙান তোঙানবা ভেক্সিন অনীগী দোজ অনী মিক্স তৌবগী ষ্টদি অসি পাঙথোক্নবা রিকমেন্দ তৌখিবনি।

ক্লিনিকেল চাংয়েং অদু সী এম সীনা মশা-মঙৈ ফরিবা ভোলুন্টিয়র ৩০০দা চথগনি। মখোয়দা কোভেক্সিন অমসুং কোভিসিল্ড দোজ অমমম কাপকপনি।

## হিমাচল প্রদেশতা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই কয়া ফূমজিনখ্রে



সিম্লা, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
যুমশকৈশা নুমিত্তা হিমাচল প্রদেশকী মনুং হঞ্জিনবা কিন্নোর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না নেসনল হায়ৱে-৫দা চীং নিংখায়বগী থৌদোক অমদা মীওই ৯ ফূমজিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

কিন্নোরগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরস রেক্কোং পিওদগী কিলোমিটর ৬১ রোম লাপ্পা লৈবা নিগুলসারিগা নক্নবা হায়ৱে অদুগী লম্বী মতেক অমদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক অদুদা ষ্টেট রোদৱেজগী বস অমা অমসুং অতৈ গাড়ী কয়া ফূমজিনখি। হিমাচল রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (এচ আর টি সী)গী বস অদু হরদ্বারদগী সিম্লা ফাওরগা রেক্কোং পিও তম্না চৎলিবনি। অদুম ওইনমক, বস অদুদা পেসেঞ্জর কয়া তোংলিবগে হায়বগী ওফিসল কনফর্মেসন্দি ফংখিদে। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না বস অদুদা মীওই ৪০ হেন্না তোংখি।

চীফ মিনিষ্টর জয়রাম থাকুরনা সিম্লাদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লেন্দস্লাইদ অদুগা মরী লৈননা রিলীফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসন থুজিন্নবা মহাক্না কিন্নোর এদমিনিষ্ট্রেসনদা খঙহনখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লেন্দস্লাইদ অদুগা মীশি-মীনা কয়া থোক্লবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অরুবা ফিভম অদু য়েংদুনা মীয়াম্বু মতেং পাংনবা অমসুং কনবগী থবক চথনবা এন দি আর এফ (নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স)কী মীওইশিং কৌখ্রে।

## কর্নাটকাগী কেবিনেট মিনিষ্টর ২ রিজাইন তৌনবা ৱারে লৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী কেবিনেট মিনিষ্টর অনী মখোয়গী ফমশিং থাদোক্লবা ৱারেপ লৌখিবদগী চীফ মিনিষ্টর বাসাভরাজ বোম্মাইনা মখোয়বু থেম্নবা হোৎনরি। পার্টি ছোর্সশিং মতুং ইন্না, রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌরবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং অদুদি অনন্দ সিংহ অমসুং এম টি বি নগরাজনি।

ছোর্সশিংনা হায়, অনন্দ সিংহ অমসুং নগরাজবু মখোয়গী অপাম্বগী মায়োক্তা মথংশীৎনা টুরিজম মিনিষ্ট্রিশিং অমসুং ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন পীখি। অনন্দনা চীফ মিনিষ্টর বোম্মাইদা মহাক্কী রেজিগনেসন পীশিনখ্রে।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর বোম্মাইনা হায়, অনন্দ সিংহ চহী ৩০ তিন্নরক্লবা মহাক্কী মরুপ্নি। নগরাজগা মহাক্না ফোনদা ৱারী শানরে, মহাক্না প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে। মহাক্না যুমশকৈশা নৎত্রগা ইরাইদা ৱারী শান্নগনি। ইস্যু অসিগী মতাংদা বি জে পি হাই কমান্দদা ব্রীফ তৌদ্রি হায়নসু বোম্মাইনা ফোঙদোকখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, অনন্দনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) দিমান্দ তৌরি অমসুং নগরাজনা হাউসিং মিনিষ্ট্রি পাম্লি। বোম্মাইনা পি দব্লিয়ু দি পোর্টফোলিও মহাক্কী মরুপ সী সী পাতিলদা পীখি। অনন্দগী দিমান্দ খঙলকপদগী পাতিল ন্যু দেল্লিদা পাইশিনখি অমসুং যুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রহ্লাদ জোসি উনদুনা মহাক্কী পোর্টফোলিও হোংদোকপীদনবা হায়জখি।

## অফঘান লান কনশিল্লকপদগী মজর-ঈ-শরিফতগী ইন্দিয়ন সিটিজন কয়া হোন্দোরক্লে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১১ (এজেন্সী):
অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং টালিবানগী মরক্তা লান হেন্না কনশিল্লকপগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানগী ফিভম লুশিল্লকপদগী দিপ্লোমেটশিং য়াওনা পূন্না ইন্দিয়ন নেসনল ৫০ মজর-ঈ-শরিফ থাদোক্লবা মতুং যুমশকৈশা নুমিত্তা ন্যু দেল্লী য়ৌরক্লে।

গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, ইন্দিয়ন ৫০ তোংবা স্পেসল ফ্লাইট অমা ঙসি অয়ূক ন্যু দেল্লীদা থুংখি। ইন্দিয়ানা মজর-ঈ-শরিফতা লৈবা কোন্স্যুলেট জেনরেল ওফিস মতম খরগী ওইনা থিংজিল্লে হায়না সেন্টরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিষ্টানগী মজর-ঈ-শরিফতা লৈবা ইন্দিয়ন কোন্স্যুলেট জেনরেলনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মদা ফোঙদোকখিবদা, স্পেসল ফ্লাইট অমা মজর-ঈ-শরিফতগী ন্যু দেল্লীদা পাইরগনি। মজর-ঈ-শরিফ অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিং নুমিদাং অথেংবদা পাইগদবা স্পেসল ফ্লাইটতা য়াওরগা ইন্দিয়াদা চৎননবা হায়জরি।

অফঘান সিটি মজর-ঈ-শরিফতগী পাইগদবা স্পেসল ফ্লাইটতা তোংলগা ন্যু দেল্লী য়ৌবা পাম্বা ইন্দিয়ন সিটিজন-শিংনা মখোয়গী অকূপ্পশিং খঙহল্লক্নবসু কোন্স্যুলেটনা আপীল তৌখি। মসি হৌখিবা থা অহুমগী মনুংদা ইন্দিয়না ইস্যু তৌখিবা অহুমশুবা সিক্যুরিটি এদভাইজরিনি।

মজর-ঈ-শরিফ নৎত্রগা মজর অসি অফগানিষ্টানগী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটিনি। থা খরগী মমাঙদা সিটি অসিগী মীশিং লাখ ৫ হেনখি। বালখ প্রোভিন্সকী কেপিটেল ওইরিবা সিটি অসি হাইৱেশিংনা নোংপোক্তা কুন্দুজগা শম্নহল্লি অমসুং খা নোংপোক্তা কাবুলগা, খা-নোংচুপ্তা হেরাতকা অমসুং অৱাংদা উজবেকিষ্টানগা শম্নহল্লি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| LOCATION | CASES | RECOVERED | DEATHS |
|---|---|---|---|
| **Manipur** | **1,05,424+606** | **96,776+723** | **1,664+10** |
| Maharashtra | 63,60,000+5,609 | - | 1,34,000+137 |
| Kerala | 35,90,000+21,119 | - | 18,004+152 |
| Karnataka | 29,20,000+1,338 | - | 36,848+31 |
| Tamil Nadu | 25,80,000+1,893 | - | 34,367+27 |
| Andhra Pradesh | 19,90,000+1,461 | - | 13,564+15 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+19 | - | 22,775+1 |
| West Bengal | 15,30,000+639 | - | 18,252+12 |
| Delhi | 14,40,000+52 | - | 25,068+1 |
| Chhattisgarh | 10,00,000+112 | - | 13,544+4 |
| Odisha | 9,89,000+1,041 | - | 6,565+64 |
| Rajasthan | 9,54,000+11 | - | 8,954 |
| Gujarat | 8,25,000+21 | - | 10,077 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+10 | - | 10,514 |
| Haryana | 7,70,000+23 | - | 9,652+2 |
| Bihar | 7,25,000+44 | - | 9,646 |
| Telangana | 6,50,000+494 | - | 3,831+3 |
| Punjab | 6,00,000+59 | - | 16,322+2 |
| Assam | 5,76,000+929 | - | 5,420+16 |
| Jharkhand | 3,47,000+34 | - | 5,130 |
| Uttarakhand | 3,42,000+39 | - | 7,368 |
| Jammu and Kashmir | 3,23,000+113 | - | 4,392+2 |
| Himachal Pradesh | 2,09,000+419 | - | 3,537+2 |
| Goa | 1,72,000+141 | - | 3,164 |
| Puducherry | 1,22,000+101 | - | 1,800 |
| Tripura | 80,660+244 | - | 773+2 |
| Meghalaya | 69,769+411 | - | 1,185+11 |
| Chandigarh | 61,992+8 | - | 811 |
| Arunachal Pradesh | 50,605+233 | - | 248+2 |
| Mizoram | 46,320+863 | - | 171+2 |
| Nagaland | 28,811+102 | - | 585 |
| Sikkim | 28,018+110 | - | 356+1 |
| Ladakh | 20,411+11 | - | 207 |
| Lakshadweep | 10,263+14 | - | 51+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,548+2 | - | 129 |


ꯁ꯭ꯔꯤ ꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রী শ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্বর্বাশ্রমদা ঐগী লোয়নরম্বী **খাংঙেম্বম বীমোলা দেবী**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০৭/০৮/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২৯নি পানবা থাংজ নুমীৎতা শ্রীগুরু কৃপাদগী ***ব্রজেশ্বরি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য দাশি*** হায়বা নাম ফংজরগা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২/০৮/২০২১ ইং, থৱানগী ৪নি পানবা শগোলশেল নুমীৎতা অষ্ঠী সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ২০/০৮/২০২১ ইং, থৱানগী ১৩নি পানবা ইরাই নুমীৎতা লৈখিদ্রবীগী চিড়া উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রাহদা হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসি কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং খক্তগী ওইনা পাঙথোকচরগনি।

সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা অয়ূক পুং ৮.০০

*বিনিতগণ ঃ-*
**মুতুম কুঞ্জচন্দ্র সিংহ (মপুরোইবা)**

১। মুতুম ওংবী শরমিলা দেবী(মমৌনুপী) — ১। অনিলচন্দ্র মুতুম (মচানুপা)
২। মুতুম শন্ধ্যারানী দেবী (মচানুপী) — ২। হাওবিজম জেমস (ময়ানুপা)

**শগোলবন্দ তেরা থিংবাইজম লৈরক, ইম্ফাল।**

HL-P/3825/12



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 361/AS&SO/TBL, Dt. 07-05-2021**
1. Kangujam Manisana Meitei S/o (L) Mukta Singh of Purna Heituppokpi
2. -do- Biren Singh S/o (L) -do- of -do-
-Applicants
-Vs-
(Late) Pattadar - Kangujam Mukta Singh S/o (L) Amuba Singh of Purna Heituppokpi. - Opp.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dt. 11-08-2021

Under Section-46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ১৩২-পুর্না হৈতুপপোকপী পাট্টা নং ২৪ (অনৌবা) দাগ নং ২১২ এরিয়া .২৫৫০ হে: চাওবা ইস্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা কাঙুজম মুক্তা সিংহ কো: পাট্টাদার নং ১শুবা মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি মখোয় ২ (অনী) গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/3828/12



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 351/AS&SO/TBL, Dt. 07-05-2021**
1. Soibam Ibemhal Devi W/o (L) S. Brajabidhu Singh of Thoubal Melaground.
2. S. Somendro Singh S/o (L) -do- of -do-
3. S. Nabakanta Singh S/o (L) -do- of -do-
-Vs-
(Late) Co-Patta No. 2
1. Soibam Brajabidhu Singh S/o (L) Tomba Singh of Thoubal Mamang Leikai.
2. Ningombam Ibohal Singh S/o (L) Mukta Singh of Thoubal Awang Leikai. - Opp.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dt. 11-08-2021

Under Section-46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ২৭৭, ২২২ (অরিবা)/৩৭৪ (অনৌবা) দাগ নং ৪৪৯৮ এরিয়া ০.৮৪০০ হেক্টর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার কো: নং ২ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার নং ২গী মমিং কক্লগা মাগী নুপী অমদি মচানুপা অনী (২)দা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/3828/12



**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 309/AS&SO/TBL, Dt. 05-04-2021**
Laishram Ibo Singh S/o (Late) L. Angojao Singh of Khangabok Sorok Wangma -Applicant
-Vs-
(Late) Laishram Angojao Singh S/o (L) Tomba Singh of Khangabok Awang Leikai. - Opp.

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / **NOTICE**
Dt. 11-08-2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ২৭৩৪ অনৌবা দাগ নং ৪৮৩৯ এরিয়া ০.১২০০ হেক্টর চাওবা ইস্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা লাইশ্রম অঙ্গোজাও সিংহ অসি মৃত: ওইখ্রে। মৃত: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মচানুপা লাইশ্রম ইবো সিংহদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপ্তি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/3828/12